ন্যু জিলেন্দগা শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ দা রন ৫০ লৌদুনা ফোরমেট অসিদা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ঙম্বগী অনৌবা রেকোর্দ থমখ্রবা ইন্দিয়াগী রোহিট শর্ম্মা

চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা ওষ্ট্রেলিয়ান ক্রিকেট টিমগী এসিস্টেন্ট কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবা রিক্কী পোন্টিং

অনীশুবা টি–২০ মেটচতা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–১ দা মান্নখ্রে

ওকলেন্দ, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম্না ন্যু জিলেন্দগা শান্নরিবা সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচতা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ন্যু জিলেন্দবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–১ দা মান্নখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচ অসিগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মখোয়না ওভর ২০ শান্নখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৫৮ লৌবা ঙমখি।

টিম অসিগী ওপনর অনী টিম সৈফর্ট অমদি কোলিন মুনরো রন ১২। ১২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন টিম অসিগী কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসনসু রন ২০ হাপচিল্লম্লগা আওট ওইখি। মতম অসিদা ন্যু জিলেন্দগী রন ৫০ শুরকপদা বেটসমেন ৪ আওট ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন রোজ টেলর অমদি ৬শুবা বেটসমেন কোলিন দি গ্রান্দোমেনা ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদু শেমগৎনবা হোৎনরকখি। মখোয় অনীনা ন্যু জিলেন্দগী স্কোর অদু ১০০ লাপ্তোকহনবা ঙমখি।

কোলিন দি গ্রান্দোমে বোল ২৮ মায়োক্লবদা সিক্স ৪ অমদি ফোর ১ য়ৈরম্লগা রন ৪২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। রোজ টেলরসু বোল ৩৬ মায়োক্লবদা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৫০ লৌরম্লগা টিম অসিগী অপুনবা স্কোর ১২৭ শুরকপদা আওট ওইখি।

মখা তানা চঙলকখিবা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেনশিং রন নীংথিনা লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৫৮ লৌরগা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা ক্রুনাল পানিদয়ানা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন ৩ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। খালিল অহমেদসু ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন অনী আওট তাহনখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্লবগী রন ১৫৯ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ১৯শুবা ওভর ৫শুবা বোলদা ৱিকেট ৩ খক আওট ওইরগা রন ১৬২ লৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৭ তা মায় পাকখি।

ইন্দিয়াগী রোহিট শর্ম্মা বোল ২৯ মায়োক্লবদা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৫০ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱন বোল ৩১ মায়োক্লবদা ফোর ৩ য়ৈরযগা রন ৩০ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা রিসব পন্ট শান্নবা চঙলকখি। মরিশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা বিজয় সঙ্করসু রন ১৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন এম এস ধোনিনা রিসব পন্টকা পার্টনর ওইদুনা ইন্নিংস লোইশিনবা ফাওবা শান্নদুনা অনীশুবা টি–২০ মেটচ অদু ৱিকেট ৭ তা মায় পাক্তুনা সেরিজ ১–১ দা মান্নবা ঙমখি।

রিসব পন্ট বোল ২৮ মায়োক্লবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৪০ লৌরমখি। ধোনিসু বোল ১৭ মায়োক্লবদা ফোর ১ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ২০ লৌরমখি।

রিসব পন্ট অমদি ধোনিনা মেটচ মায় পাক্লবা মতুং হরাওবা উৎপা

ইন্দিয়াগী জেরেমী লালরিন্নুঙানা থাইলেন্দদা সিলভর মেডল লৌখ্রে

চিয়াং মাই, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ

থাইলেন্দগী সিটি চিয়াং মাইদা চথরিবা ই জি এ টি কপ ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটর জেরেমী লালরিন্নুঙানা নুপীগী কেজি ৬৭ কী কাঙলূপ্তা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা মশাগী চহী ১৭ তা ঙাইরিবা জেরেমীনা স্নেটচতা কেজি ১৩১ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১৫৭ পুন্না কেজি ২৮৮ থাঙ্গৎতুনা অনৌবা য়ুঠ ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা সিলভর মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অসিদা থাইলেন্দগী ৱেঠলিফটর দেনিনা স্নেটচতা কেজি ১৩২ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১৭১ পুন্না কেজি ৩০৩ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা কিরিবতিগী রুবেন কাটোৱাটাওনা স্নেটচতা কেজি ১২৫ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১৬০ পুন্না কেজি ২৮৫ থাঙ্গৎতুনা লৌখি।

নুপীগী কেজি ৫৯গী ইভেন্টতা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী স্বাতি সিংহ অমদি কে সিরেসা মথংশিংনা ৬শুবা অমদি ৯শুবা পোজিসন তাহৌখি।

ভেলেন্সিয়া অমদি রিয়েল বেটিসকী অহানবা লেগ ২–২দা দ্রো চৎখ্রে

মাদ্রিদ, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ

স্পেনগী মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোপা দেল রেগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগতা ভেলেন্সিয়া অমদি রিয়েল বেটিস পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা রিয়েল বেটিসকী শান্নরোই জুনিয়র ফিরপোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৫৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা রিয়েল বেটিসকী শান্নরোই জোক্বিননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তাবা মেটচকী ৭০শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দেনিস চেরিসেভনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি।

মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কেভিন গামৈরোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু ২–২ দা দ্রো চৎখি।

‘মহৈ চাবা ফংদবা ইন্দিয়াগী নেসনেল স্পোর্টস পোলিসি’

এল. কালা, উরিপোক

শান্ন–খোৎনবগা মীওইবনা হিংলিবা হৌরক্লিবা পূন্সিগা য়াম্না নক্লবা শাগোন্নদবা য়াদবা য়াম্না মরু ওই হায়না লৌনরকপদগী মালেমসিদা খুন্দারিবা মীওইবা খুন্নাইনা স্পোর্টস এন্দ গেমস অসি হেন্না হেন্না ফজবা থাক্তা হেন্না হেন্না নুংঙাইনবা থাক্তা পাঙথোক্লবা লোইননা শান্নরোই পূম্নমকপু পূক্লিং চিংশিনবা ঙম্নবা শেন্দান লম্বী ওইনা অচৌবা ইন্দস্ট্রি অমগুম্না লেপ্পা লৈতনা অহেনবা পৈশা থাদদুনা হোৎনরক্লি মালেমগী লৈবাক কয়ানা।

হ্যুমেন পার্সনেলেটি দিভলপ তৌনবা হোৎনবদা স্পোর্টস এন্দ গেমস অসি মীওইবগী পূন্সিগা মপুম ওইনা থাদোক্লবা য়াদবা হকচাং ফিট ওইনা থম্বদা নৎতনা কম্পিটেটিপ ওইবা শান্ন–খোৎনবদা মীথোই মীহেনবা ঙম্লকপনা জাতি অমবু লৈবাক অমসু ইকাই খুম্নবা লেমজনিংঙাই ওইবা চাওথোকচনিংঙাই ওইবা লৌনরকপা কয়াগা লোয়ননা নাকল অমরোমদা স্পোর্টস কম্পিটেটিপ অসিনা অচৌবা রোল অমা লৌই হায়বসিনা মহৌশাগী ওইবা শান্ন–খোৎনরম্বদগী অনৌবা শান্ন–খোৎনবা (মোর্দন স্পোর্টস) অসি লাকপদগী ঙসিদি শান্ন–খোৎনবদা চঙবা খুজু খুৎলাই অনৌ অনৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লোয়ননা অহেনবা সাইন্টিফিক সপ্পোর্ট কয়া মথং মথং হেনগৎলকপা মথৌ তারকপা পূম্নমকসি লৈবাক অমা চাওখৎলকপগা ইরোইননা স্পোর্টস এন্দ গেমসতা মখল মখা কয়াগী মতেং ফংহনবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা পান্দম অমা ওইনা হোৎনরক্লরি।

অপুনবা ইন্দিয়া অমা ওইনা শেম্লবা লৈবাক অমা ওইনা মীওইবগী পূন্সিগা লোয়নরকপা শান্ন–খোৎনবা খরা নৎতনা ইনিদয়ানা মশা মতোমতা লৈঙাকচরবা মতমদা অহেনবা শান্ন–খোৎনবগী লমদা হেন্না পৈশা থাদদুনা হোৎনবগী মহুত্তা অফবা ইন্দিয়া অমা চাওখৎহনবদা নহাশিংদা হেন্না মীৎয়েং চঙবনা হেন্না লুম্বা ৱাখল্লোন দা ১৯৬৯, মহাত্মা গান্ধীগী বার্ঠ সেন্টিনরি পালন থৌরম অমদা ইন্দিয়াগী য়ুনিভর্সিটি ৩৭ কী ছাত্র ৪০,০০০ মুক্লা শরুক য়াদুনা নেসনেল সরভিস স্কিম (এন এস এস) অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা স্পোন্সর তৌদুনা অশানবা মীৎয়েং অমদা স্কুল অমদি কলেজ তল্লিবা নহাশিং অসিগী করেক্টর অমসুং পারসেনেলিটি দিভলপ তৌরক্কনি হায়না থাজবা থমদুনা স্কিম অসি হৌদোকখিবনি। হৌজিক্তি য়ুনিভর্সিটি ২৯৯ হেনবগী কলেজ। ইন্সটিট্যুট ১৪৬৯৮ গী ছাত্র–ছাত্রি লাখ ৩২ হেনবদা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপগা লোয়ননা হেন্না হৈথোই শিংথোইলবা নহাশিংগীদমক এৱার্দ কয়া শেমদুনা নহাশিংবু পূক্লিং চিংশিনবা হোৎনবা য়ুঠ একচেজ ইন্টরনেসনেল লেবেল, নেসনেল য়ুঠ ফেষ্টিবেল, নেসলে য়ুঠ কোপস (এন ৱাই সি) কম্মনৱেল্ঠ য়ুঠ প্রোগ্রাম (সি ৱাই পি) হায়রিবা ময়ামসিগী মখাতা মখল কয়াগী ওইবা থবক থৌরম কয়া শেমদুনা ইন্দিয়া চাওখৎনবগী মীৎয়েং থমদুনা হোৎনদুনা লাকপনা থেংলবসু থেংনা শান্ন–খোৎনববুসু নহাশিংগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা য়াম্না মরু ওইবা অমনি হায়বা খঙলকপা ৱাখল্লোন্দগী মপুম ওইনা য়ুঠ এফিয়রস এন্দ স্পোর্টস হায়না স্পোর্টসকী লমদসু অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা নেসনেল স্পোর্টস পোলিসি ২০০১ শেমখি। হান্নদি নাকল নামতগী ওইবা শান্ন–খোৎনবা য়াওদবা ওইরবগুম তৌরম্বদগী অপুনবা ওইবা ৱাখল্লোন্দগী স্পোর্টস সেক্টরদসু অচৌবা অশানবা মীৎয়েং থমদুনা স্পোর্টস এৱার্দ কয়া, স্পোর্টস ইন্সেটিপ কয়া স্পোর্টসকীদমক মতম মতমগী ওইবা এদভান্স ওইবা, ওইগদবা পান্দম কয়া অমা মাঙদা থল্লগা হৌজিক্তুদা চহী খরসিদা য়াম্না হেনবমক নৎত্রবসু খরদি হেনবা খোঙথাংদা মায় ওনশিল্লক্তুনা ইন্দিয়া স্পোর্টস চাওখৎনবা কন্না হোৎনরক্লি মতম মতমগী ওইবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা। মরু ওইনা নেসনেল স্পোর্টস পোলিসি ২০০১, অসিদা থল্লক্লিবা মীৎয়েং অমদি পান্দমদি শান্ন–খোৎনবা অসি চাওখৎহন্নবগীদমক লৈবাকসিদা লৈরিবা নেসনেল স্পোর্টস ফেদেরেসনশিং লোয়ননা মরী লৈনবা স্পোর্টস বোর্দিশিং অসিদা সাইন্টিফিকেল্লি কোচিং তৌনবদা মপাঙ্গল হেনগৎহনবদা মতেং পীবা, লৈবাকশিংগী হৌগৎলক্লিবা নুপীমচাশিংবু মশীং য়াম্না স্পোর্টসা শরুক য়াহনবা লোইননা সেদ্যুল ত্রাইব অমদি খুঙ্গংগী নহাশিংবু হেন্না হেন্না শরুক য়াহনবদা মতেং পীবা ৱাখল্লোনসিদা শেমখিবা স্পোর্টস পোলিসিনি। হেন্না পাকথোক চাওথোকরকপনা য়ুঠ এফিয়রস এন্দ স্পোর্টসনা হান্না লৈরম্বা টেলেন্ট সর্চ এন্দ ট্রেনিং স্কিম অমুক হন্না য়েংশিনদুনা স্কিম ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট ইন স্পোর্টস মীংথোনদুনা স্পোর্টস সাইন্স, স্পোর্টস মেদিসিন, স্পোর্টস কোচিং, স্পোর্টস অম্পিয়ার শান্নবগা মরী লৈনবা পূম্নমক লৈবাকসিদা চাওখৎহন্নবা হোৎনবা স্কিমনি। মখল মখা কয়াগী শান্নবগী স্কিম পাকথোক চাওথোকহন্দুনা স্পোর্টস পার্সনশিংদা ইন্সেটিপ পীবা লৈবাকসিগী ওইনা মেডল পুরকপা ঙম্বা শান্নরোইশিংগীদমক অমদি তাকপী তন্বীরিবা কোচশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা পৈশা য়াওবা এৱার্দ কয়া পীদুনা স্পোর্টস চাওখৎনবা কন্না হোৎনরি। এৱার্দশিং খরদং পনবদা (১) রাজিব গান্ধী খেল রত্ন এৱার্দ, (২) আর্জুনা এৱার্দ, (৩) ধ্যিয়ান চান্দ এৱার্দ, (৪) দ্রোনাচায্য এৱার্দ, (৫) রাষ্ট্রিয়া খেল প্রোটস্থান পুরুসকার অসিদা নৎতনা ওলিম্পিক গেমসতা মেডল পুরকপা ঙম্বা শান্নরোইশিংদা মেডলগী মতুং ইন্না খেন্নবা পৈশা পীবা, এসিয়ান গেমসতা, কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা, ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা অমদি এসিয়ান এন্দ কম্মনৱেল্ঠ চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেডল পুরকপা খূদিংমক শেলমনা পীদুনা ইকাই খুম্নবা লোয়ননা মখোয়না হিংলিবা ফাওবা পেন্সননচিংবা পীবা থৌরাং কয়া লেপ্পা লৈতনা মতম মতমগী অহোংবা কান্নবা পীবা য়াবা কয়া অমা পীদুনা ইন্দিয়া স্পোর্টস এন্দ গেমস চাওখৎনবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। ‘কম এন্দ প্লে’ স্কিম, ‘কম্যুনিটি কনেক্ট’ দেল্লিদা লৈবা ষ্টেদিয়া কয়াদা মশান্না মখল কয়াদা খুদোংচাবা পীদুনা স্পোর্টর্স একাদেমী কয়া লিংদুনা ইন্দিয়ানা হৌজিক হৌজিক হোৎনরিবা ময়াম। ইন্দিয়া ফনা কন্না হোৎনরবসু হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি মালেমগী মকোক থোংবা ঙম্বা স্পোর্টস পার্সন মশীং য়াম্না পুথোকপা ঙম্বা হায়বদুমদি ওইদ্রি। য়েংবা তারি ইন্দিয়ানা হোৎন–হোৎননা হান্নদগী মাঙজিল থাদুনা লৈরবা লৈবাকশিং অমদি ইন্দিয়াগুম্না নৌনা হোৎনরক্লিবা লৈবাকশিংগা করম্না চাংয়েংনবা ঙম্বগে হায়বদু লোয়ননা মেডল পুরকপা ঙম্বগে হায়বদু। কদাইদনো অমদি মহৈ চান্নবদা শোইরি।

চেন্নাই সিটিনা ইন্দিয়ান এরোজ থোইখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট হেরো আই লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা চেন্নাই সিটিনা ইন্দিয়ান এরোজবু ২–০ দা থোইখ্রে।

ইন্দিয়ান এরোজনা য়ুম্বু ওইদুনা চেন্নাই সিটিগা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ শান্নবা লোইশিনখ্রবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৭১শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সান্দ্রো রোদ্রিগেজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা অহানবা মিনটতা চেন্নাই সিটিগী শান্নরোই বিজয় পোন্নুরাঙ্গমনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু চেন্নাই সিটিনা ইন্দিয়া এরোজবু ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দিয়াগী প্রজনেস অমদি সাসি মুকুন্দ চেন্নাই ওপনগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

চেন্নাই, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ

তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা চথরিবা চেন্নাই ওপন চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রজনেস গুন্নেশ্বারন অমদি সাসি কুমার মুকুন্দ নুপাগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইনিদয়াগী প্রজনেস গুন্নেশ্বারননা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী জেমস দকৱোর্থপু ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

গুন্নেশ্বারননা সেমি ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ স্পেনগী এলেজান্দ্রা দেভিদোভিস ফোকিনাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ১–৬, ৭–৬(৮–৬), ৭–৬(৭–৩) দা মায়থিবা পীরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী এন্দ্রয়ু হরিসকা লম্বা তৌনরগনি।

চেন্নাই ওপন চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১৬শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী সাসি কুমার মুকুন্দনা বৃটেনগী ব্রাইদান ক্লিয়েনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৬–২, ৩–৬, ৭–৬(৭–৩) দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙদুনা অনীশুবা সিদেদ ফ্রান্সকী কোরেন্টিন মৌটেটকা লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রান্সকী কোরেন্টিন মৌটেটনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১০শুবা সিদেদ স্পেনগী নিকোলা কুহনবু ৫–৭, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

In the Court of Sub-Deputy Collector
Keirao Bitra , Imphal East

Ref. :- Mutation Cass No. 60/SDC/IE/KBT of 2019

Wahengbam Deban Singh S/o (L) W. Khurai Singh of Arapti Mayai Leikai

- Petitioners

-Verses-

(L) Wahengbam Khurai Singh S/o (L) Shamu Singh of Arapti

- Opposite Party

NOTICE

Keirao Bitra, the 8th February 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East KBT Circle গী Village No. 51-Arapti গী Patta No. 194/Angsh (অরিবা) 609/1175 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 413/696 an area 0.78 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী মচানুপানা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, KBT Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Keirao Bitra, Imphal East

SL/Bill(L)/09(F)

In the Court of Sub-Deputy Collector
Porompat, Imphal East, Manipur

Ref. :- Mutation Cass No. 197/SDC/P of 2019

1. Ngairangbam Chandrakumar Singh
S/o (L) Ng. Tomba Singh
2. Ng. Bidhanchandra Singh S/o (L) Atomba Singh of all Khurai Kongpal Leikai

- Petitioner

-Verses-

Atomba Ngairangbamcha S/o (L) Gulamjat Singh of Khurai Chingangbam Leikai

- Opposite Party

NOTICE

Porompat, the 8/02/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 24-Khurai Chingangbam গী Patta Nos.117, 116, 140, 221, 87/Angsh (অরিবা) 409/458 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 202/593 an area 0.77500 acre of Anganphou Class লম অসিগী অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চথগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Bill(L)/9(E)

In the Court of Sub-Deputy Collector
Porompat, Imphal East, Manipur

Ref. :- Mutation Cass No. 193/SDC/P of 2019

Thounaojam Basantakumar Singh S/o (L) Gokul Singh of Kongpal Mutum Leikai

- Petitioner

-Verses-

Thounaojam (O) Khumukcham (N) Ronibala Devi W/o Th. Basantakumar Singh of Kongpal Mutum Leikai

- Opposite Party

NOTICE

Porompat, the 8/02/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 28- Porompat গী Patta No.151 (অরিবা) 127/A (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 159(A) an area 0.2077 acre of Ingkhol Class লম অসিগী অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চথগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Bill(L)/9(D)

PIS Brick Field (Mechanised)

BRICKSAMPLE

PIS

[illegible] (From time to time rate changeable)

Class	Rate	Bricks	Amount	Gari Charge	Labour	Total
1st	Rs. 12.50	2000	Rs. 25000	Rs. 2100	Rs. 500	Rs. 27600
1st	Rs. 12.50	1500	Rs. 18750	Rs. 1600	Rs. 400	Rs. 20750
2nd	Rs. 12.00	2000	Rs. 24000	Rs. 2100	Rs. 500	Rs. 26600
2nd	Rs. 12.00	1500	Rs. 18000	Rs. 1600	Rs. 400	Rs. 20000
1st Rej.	Rs. 11.50	2000	Rs. 23000	Rs. 2100	Rs. 500	Rs. 25600
1st Rej.	Rs. 11.50	1500	Rs. 17250	Rs. 1600	Rs. 400	Rs. 19250
Peti	Rs. 11.50	2000	Rs. 23000	Rs. 2100	Rs. 500	Rs. 25600
Peti	Rs. 11.50	1500	Rs. 17250	Rs. 1600	Rs. 400	Rs. 19250
3rd	Rs. 7.50	2000	Rs. 15000	Rs. 2100	Rs. 500	Rs. 17600
3rd	Rs. 7.50	1500	Rs. 11250	Rs. 1600	Rs. 400	Rs. 13250

Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539 (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

SL/1198/Alt.50 days

ক্রোসৱার্দ ৬৭ গী পাউখুম

B	O	A	R	■	A	O	R	T	A	■	P	E	N	D
A	N	T	E	■	S	N	A	I	L	■	A	R	E	A
D	E	A	N	■	C	O	N	N	E	C	T	I	O	N
G	A	L	O	R	E	■	K	E	R	O	S	E	N	E
E	L	E	V	E	N	■	■	■	T	R	Y	■	■	■
■	■	■	A	R	T	■	O	M	E	N	■	R	I	G
V	I	S	T	A	■	C	L	A	D	■	S	O	S	O
A	S	P	E	N	■	L	I	D	■	S	T	A	L	E
N	E	E	D	■	P	A	V	E	■	H	A	R	E	S
S	E	W	■	S	A	M	E	■	L	E	I	■	■	■
■	■	■	A	P	R	■	■	■	E	A	R	N	E	R
I	N	I	T	I	A	T	E	■	A	R	C	A	D	E
R	E	C	O	N	S	I	D	E	R	■	A	N	D	S
A	M	E	N	■	O	R	G	A	N	■	S	N	I	T
S	O	R	E	■	L	E	E	R	S	■	E	Y	E	S

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST, Konthoujam

Ref. : Mutation Case No.124/SDC/IW(K) /2019

Soram Kiranjit Singh S/o Shyamkesho Singh of Khaidem Mayai Leikai

Petitioners

-Vs-

Late Wahengbam Chandani Devi
D/o (L) Modhu Singh of Khaidem

O.P.Party

NOTICE

The 7/02/2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Wahengbam Chandani Devi পীং মৃঃ Modhu Singh সাং Khaidem গী মিংদা লৈবা Imphal West তহসিলগী খুল নং 83- Khaidem গী অনৌবা পট্টা নং 294/432 দাগ নং 291 অমসুং এরিয়ানা .61 acre চাওবা Phourel লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইখ্তোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Konthoujam

SL/4417/09